# লোকদাউনগী মায়োক্তা মশিং য়াম্লবা মীওইশিংনা সিদনিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে, অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু চঙশিন্নবা শেম শাখ্রে

সিদনি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা সিটিশিংদা মখা তানা গভর্নমেন্টনা লোকদাউন থমজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা সিটি অমা ওইরিবা সিদনিদা ঙসি মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে। অতোপ্পা মরুওইবা সিটিশিংদসু লোকদাউনগী ময়োক্তা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেল্টানা মালেমগী লৈবাক পুম্বদা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াদসু ভেরিয়েন্ট অসিনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মরুওইবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সিদনিদা লায়না লায়চৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরি। সিটি অসিদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশিং কা হেন্না হেনগৎলকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মমাং থাদগী হৌরগা সিটি অসিদা লোকদাউন থম্বা হৌখিবনি।

সিদনিদা অকনবা লোকদাউন থমজিনখিবনা মরম ওইরগা মফম অদুগী মীওই কয়া মশা মশাগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া ময়োক্লরি। মরক অসিদা নোংমগী শুরগা চাবা মীওই কয়াদি শুফম নোম্ফম লৈতবদগী চাবা ফংদবগী অৱাবা ময়োক্লবা হৌরে। ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা অথিংবশিং কোমথোক্লবা মীয়াম্না লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লিঙৈ মরক অসিদা লোকদাউনগী মতম অমুক হন্না শাংদোক্লবা লৈঙাক্লা লৌরকখিবা ফিরেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি।

ঙসিসু লৈঙাক্কী থৌশিল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা সিদনিদা মশিং য়াম্লবা মীওইশিংনা ফেস মাস্ক লৌথোক্তুনা লম্বীশিংদা খোঙজং চঙশিনখি। ভিক্টোরিয়া পার্কতগী হৌরগা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু সেন্ট্রেল ব্যুজিনেস দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা টাউন হোল ফাওবা চৎখি। ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী থৌশিল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাওখি অমদি 'ফ্রিদম' অমসুং 'দি ট্রুথ' হায়না থাবা প্লে কার্দশিংসু শীজিন্নখি।

মশিং য়াম্লবা পুলিস পর্সোনেলশিংনসু মীয়ামগী খোঙচৎ অদুবু চেকশিন্না ঙাক শেনখি। অদুমওইনমক খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মরক্তগী পুলিস তম্না নুং অমদি চে লংশিন্দুনা এটেক্ট চথবা হৌরকপদগী পুলিস পর্সোনেলশিংনসু মীয়াম অদুবু তানখায়নবা হোৎনখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা পুলিস অমদি খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক খরা থোকখি।

খোঙজং মনুংদা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখিবা মীওই খরা পুলিস ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না ন্যু সাউথ ৱেলস পুলিসনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মীয়াম্বু ঙাক শেনবা হায়বসি মখোয়গী মথৌনি। অদুমওইনমক কা হেনবা থবক শিং চথরকখিবা মীওইশিং অদু লোগী মতুংইন্না ফাজিনখিবনি। মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা থবকশিং পায়খৎলবা মতুং অমুক হন্না অথুবদা থাদোক্লবা হোৎনরি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গী চৎন-কাংলোনশিং থুগাইদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অদুবু লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্টর ব্রাদ হজার্দনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু ৱাখল য়াওদবা মীওইশিংনা চথুগদবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ম্যানমার জেলদা ফাদোকশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

য়াঙোন, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারগী জেলদা ওথোরিটিশিংনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎত্রে হায়না জেল ফাদোকশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মখোয়বু জেলদা অদুম্মক শিরখ্রসনু হায়বগী মওংদা থম্লে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিগী থৌওং অদুবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা জেল মনুংদা ফাদোকশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্ক রক্লি।



রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না ম্যান্মারগী ইনসেন প্রিজনদা থল্লিবা ফাদোকশিং অসি মরুওইনা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা লৈবাক অদুদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াখিবশিংনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মার মিলিটরিনা কু তৌদুনা লৈবাক অদুদা হান্না লৈরম্বা ওং সান সু চিনা লুচিংবা লৈঙাক অদুবু ইন্তুরবা মতুং মিলিটরি লৈঙাক লৈহনখিবনি।

থৌদোক অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা গভর্নমেন্ট অমা অমুক হন্না লৈহন্নবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মিলিটরিনসু কা হেনবা থৌওং কয়া চথখি। মীয়াম অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্নবগী থৌওংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়াম তম্না নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৮০০ হেন্না শিখ্রে অদুগা ৫,০০০ রোম হেন্না ফাজিন্দুনা থল্লি।

জেলদা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা ফাদোকশিংগী মরক্তা হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপা কয়া য়াওরে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা জেলদা লৈরিবা মীওইশিংসু মীপাইবা কয়া পোক্লরে। অদুম ওইনমক জেল ওথোরিটিশিংনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিংদি হৌজিক ফাওবগী অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা জেলদা লৈরিবশিং উনবগী খুদোংচাবসু পীদ্রি। মরক অসিদা করিগুম্বা জেলদা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা য়াওরক্লবদি ফাদোক খুদিংমক খুদোংথিবা নংলবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

# চাইনানা য়ু এস সিটিজন খরগী মথক্তা অথিংবা থমজিনখ্রে

বৈজিং, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

য়ু এস এদভাইজরিনা হোং কোংগী নীং-খা তম্বগা মরী লৈননা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা অমদি হোং কোংগী নীং-খা তম্বদা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনরকখি হায়বগী মরালদা বৈজিংনা অমেরিকান সিটিজন ৭কী মথক্তা অথিংবশিং থমজিনখ্রে হায়রি।

বৈজিং অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা মতম কয়াগী মমাঙদগী উংখৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লি। মরু ওইনা হ্যুমেন রাইট্স, ট্রেদ, সাইবর সিক্যুরিটি অমদি কোভিদ-১৯গী হৌরকফমগী মতাংদা মরু ওইনা লৈবাক অনী অসি উংখৎনদুনা লাকখিবনি। মমাঙ চয়োলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা হোং কোংদা লৈরিবা মখোয়গী বিজিনেসমেনশিংবু চাইনানা অরানবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা নমথুনবা হোৎনরে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং বৈজিংগী মায়কৈদগী অথিংবশিং অসি য়ু এস সিটিজনশিংগী মথক্তা থমজিল্লকখিবনি।

অমরোমদা, চাইনানা য়ু এস ইন্দিভিজ্যুল ৭কী মথক্তা অথিংবশিং থমজিল্লকখিবা অদুবু য়ু এস দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ৱেন্দি সর্মননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চাইনানা মশাগী ইন্টরেষ্টতা থবক কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা অথিংবা থমজিল্লকখিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবা থৌওং অমনি। এসিয়াগী মনুংদা চাইনানা তৌনিংবতা তৌদুনা লাক্লি। সাউথ চাইনা সীগা মরী লৈননসু চাইনানা অরানবা থবক থৌওং কয়া চথরি। সাউথ চাইনা সীগী শরুকশিং অসি মখোয়গীনি হায়না ক্লেইম তৌই। অদুগা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা সাউথ চাসনা সীগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিং দিমাক্রেসন তৌদুনা চাইনাগী ঈশিংগী শরুক খায়দোক্তুনা থমখ্রবনি। অদুমওইনমক অতোপ্পা লৈবাকশিংনা ইন্টর্নেসনল লোগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা সাউথ চাইনা সীগী শরুক্তা রোটিন ওপরেসন চথবা মতমদা চাইনাগী মায়কৈদগী হেক-হেক অপনবা পীবগী থৌদোকশিংসু থোক্লি। মসি মখা তানা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# কেস মশিং হেনগৎলকপদগী ভিএটনামগী কোনুং লোকদাউন তৌখ্রে



হানোয়, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ভিএটনামদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৭,২৯৫ থেংনখ্রবা মতুং লায়না লাইচৎ অসিনা কা হেন্না চৈথেং পীবা হৌরক্লিবা লৈবাক অসিগী কোনুং হানোয়দা নুমিৎ ১৫নিগী ওইনা লোকদাউন থমখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙাঙলোয়শিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লোকদাউনগী ওর্দর অসি ইরায় নুমিৎকী নুমিদাংদা লৈঙাক্লা থোক্লকখিবনি। লোকদাউন মনুংদা মীওই অনী নৎত্রগা অনীদগী হেন্না পব্লিক প্লেসশিংদা পুনশীন্দুনা লৈবা য়ারোই। লোকদাউন মনুংদা গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং, হোস্পিটালশিং অমদি তৌদবা য়াদ্রবা বিজিনেসকা মরী লৈনবশিংগীদি কোমথোক্কনি। ভিএটনামদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট দেল্টানা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়াদা মরী লৈনবশিংনা অথিংবশিং থমজিনবা হৌখ্রবনি।

ঙসি লৈবাক অদুগী ওইনা অনৌবা কেস ৭,২৯৫ থেংনখিবগী মনুংদা ৭০দি হানোয়দগীনি। হানোয়দা দেল্টা ভেরিয়ন্টনা খঙহৌদনা চৈথেং পীরকখিবা অসি থিংনবগীদমক তঙায়ফদনা লোকদাউন থমজিনখিবনি। পনবা য়াবদি, এপ্রিল থাদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই ৮৩,০০০ হেন্না শোকহনখ্রে অদুগা ৩৩৫না শিহনখ্রে হায়রি।

# অফঘান মাইগ্রেন্টশিংগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ কায়থোকখ্রে

ৱাশিংতন, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা হৌজিক লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা সিভিল ৱারনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীওই কয়া অতোপ্পা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চঙশিন্দুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। অদুগুম্লবা মাইগ্রেন্টশিং অদুদা মতেং ওইনবগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ কাইথোকপদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা অয়াবা পীখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

শেনফম অসি ইমর্জেন্সি রিফ্যুজি এন্দ মাইগ্রেসন এসিষ্টেন্স ফন্দদা মীয়াম্না মতেং পাংলকখিবা শেনফমনি। শেনফম অসি প্রসিদেন্টনা অফঘান মাইগ্রেন্টশিংগী মতেং পাংবদা শীজিন্নবা অয়াবা পীখিবনি। মসিদা নত্তনা য়ু এস ট্রুপশিংনা অফঘানদা লৈরিঙৌদা ইন্টরপ্রিটর ওইনা থবক তৌরমখিবা মীওই ২০,০০০ লোমসু অফঘানদা লৈবদা খুদোংথীবা লৈবনা মরম ওইরগা য়ু এসতা সেট্টল তৌহন্নবা হোৎনরি। অমদি মখোয়গীদমক্তসু শেনফম খরা কাইথোক্তুনা থম্লে হায়রি।

# অফঘানদা ঈং-তপ্পা পুরক্কে হায়রবদি প্রসিদেন্ট অসরফ ঘনি হান্না মফম থাদোক্কদবনি : টালিবান

ইস্লামবাদ, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

অফঘনিষ্টানদা তংদু লৈতাবা অমদি ঈং-তপ্পা পুরকপা হায়বসি টালিবানশিংগীসু অপাম্বনি। টালিবাননা মখোয়গী ওইবা লৈঙাকখক্তমক অফঘানদা থমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈতে। অদুমওইনমক লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি ঈং-তপ্পা ফিভম অমুক হন্না পুরক্কে হায়রবদি অফঘানগী প্রসিদেন্ট অসরফ ঘনি মহাক্কী ফমদগী হান্না পোত্থাবা মথৌ তাই হায়না টালিবানগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় সুহেল সাহিন্না ফোঙদোরকপদা অফঘানদা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ৱারী শান্নদুনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনরিবা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসিসু টালিবানগী অপাম্বনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবা ঘনিনা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথরিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙমদবনি। অফঘানিষ্টানদগী য়ু এস অমসুং নেতো ট্রুপশিং লৌথোকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা লৈবাক অদুগী শরুক অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌখ্রে। হৌজিকসু টালিবাননা অহেনবা এটেক চথদুনা অফঘান পূম্বা কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি। টালিবাননা লৈবাক পূম্বা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা কা হেন্না অরুবা ওইদে। অদুবু গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবনা মরম ওইরগা চৈথেং পীরিবা অসি লৈবাক অদুগী মীয়ামদনি। মীয়াম্নসু লৈবাক অসিদা ঈং-তপ্পা পুরকপা পাম্লি। টালিবানগী ওইনদি করিগুম্বা প্রসিদেন্ট অসরফ ঘনিনা ফম থাদোক্লবা মতুং অফঘান লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা অপুনবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম শানবা মতম পূম্বদা থৌরাং তৌদুনা লৈ হায়রি।

# ফিলিপিন্সতা মেগ্নিচুদ ৬.৭ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

মনিলা, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

ফিলিপিন্সতা ঙসি অয়ুক মেগ্নিচুদ ৬.৭ য়ৌনা অকনবা য়ুহা হাখ্রে হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভে রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অকনবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা অকায়-অতোয় অমদি অমাঙ-অতা থোকহনবগী পাউ লৈত্রি হায়রি।

ফিলিপিন্সকী মনুং চনবা লুজোন আইলেন্দদা ইপিসেন্টর ওইরগা ঙসি অয়ুক পুং ৪.৪৮ লোম তারকপা মতমদা য়ুহা অদু হাখিবনি। লৈমায়দগী কিলোমিটর ১১২ লুবা মফমদগী য়ুহা অদু হাবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মেগ্নিচুদ ৫.৮ য়ৌনা অমুক হন্না য়ুহা হারকপদগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামশিং লম্বীদা চেঙ্গোরক্তুনা লৈনখি। লোকেল পুলিসশিংনসু য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা শোকহল্লকপা য়াবা মফমশিংদা চত্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# থিজিনবগী থবক্তা মতেং পাংনবা চাইনাদা খঙহনখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা অনীরকশুবা ফেজ কী ওইনা কোভিদ-১৯ হৌরকফমগী মতাংদা থিজিল্লিবা অসিদা চাইনা য়াওনা মেম্বর ষ্টেটশিংনা মতেং পাংনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা তকশিল্লকখিবগা লোয়ননা বৈজিংনা হীরম অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ৱাফম খরা ফোঙদোরকখিবা অদুবুসু কন্দেম তৌরক্লি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা কোভিদ-১৯গী মতাংদা অনীরকশুবা ওইনা থিজিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদা মেম্বর ষ্টেটশিংনা মপুং ফানা মতেং পাংফম থোকই। লায়না-লাইচৎ অসিনা মালেমগী লৈবাক পূম্বদা চৈথেং পীরিবনি। লাইচৎ অসিবু মপুঙ ফানা মুত্থৎনবা হোৎনবদা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মতেং পাংফম থোকই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী দেপ্যুটি স্পোক্সপার্সন ফর্হান হকনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চাইনানসু অহেনবা মতেং পাংদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু মুত্থৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# পুলিস অমদি খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক্তা মীওই ১৪০ রোম শোকখ্রে



ৱেষ্ট বেঙ্ক, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

ইজরেলি ফোর্সশিংনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী লম শরুক্তা অউটপোষ্ট শাজিল্লে হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা ঙসি পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা বৈতা খুঙ্গংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখিবা ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংদা পেলিষ্টিনিয়ন ১৪০ রোম অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

ইজরেলি আর্মিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা পেলিষ্টিনিয়ন দেমোন্সট্রেটরশিংগা মুক্নবগী থৌদোক অদুদা ইজরেলি লান্মী অনীসু অশোক-অপন নংখি। ইজরেলি ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা ইলিগেল ওইবা মওংদা য়ূম শাজিন্নবা হোৎনরি। মতম কয়াগী মমাঙদগী পেলিষ্টিনিয়নশিংনা মফম অসিদা অকায়-অতোয় থোকহনবা য়াবা থৌদোক কয়া চথদুনা লাক্লি। ঙসিসু ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী বৈতাদা লৈবা ইজরেলি সিক্যুরিটি আউটপোষ্ট অমদা মশিং য়াম্লবা দেমোন্সট্রেটরশিংনা নুঙ অমদি চেকতুমশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথরকখি। মীয়ামগী ইহৌ অদুবু লাকশীন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী ট্যিয়র গ্যেস সেলশিং অমদি রব্বর বুলেটশিং কাপখি হায়রি। অমরোমদা, পেলিষ্টিনিয়ন রেদ ক্রসেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না পুলিসনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদুনা মরম ওইরগা খোঙজংলোয় ১৪৬ লোম শোকহনখি। মখোয়গী মনুংদা ৪দি রব্বর বুলেটনা মখোঙ অমদি মবুক্কী শরুক্তা পানবদগী শোকখিবনি হায়রি।

# মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 194,176,010 | +161,240 | 4,163,041 | +3,332 | 176,244,300 | 13,768,669 |
| 1 | USA | 35,283,075 | | 626,658 | | 29,497,875 | 5,158,542 |
| 2 | India | 31,332,159 | +957 | 420,043 | | 30,503,166 | 408,950 |
| 3 | Brazil | 19,632,443 | | 548,420 | | 18,331,462 | 752,561 |
| 4 | Russia | 6,102,469 | +23,947 | 153,095 | +799 | 5,471,956 | 477,418 |
| 5 | France | 5,953,071 | | 111,591 | | 5,672,063 | 169,417 |
| 6 | UK | 5,637,975 | | 129,044 | | 4,434,939 | 1,073,992 |
| 7 | Turkey | 5,574,997 | | 50,821 | | 5,410,554 | 113,622 |
| 8 | Argentina | 4,827,973 | | 103,359 | | 4,464,987 | 259,627 |
| 9 | Colombia | 4,705,734 | | 118,188 | | 4,462,579 | 124,967 |
| 10 | Italy | 4,307,535 | | 127,937 | | 4,120,846 | 58,752 |
| 11 | Spain | 4,280,429 | | 81,221 | | 3,683,457 | 515,751 |
| 12 | Germany | 3,760,270 | | 92,024 | | 3,644,100 | 24,146 |
| 13 | Iran | 3,645,654 | | 88,273 | | 3,220,445 | 336,936 |
| 14 | Indonesia | 3,127,826 | +45,416 | 82,013 | +1,415 | 2,471,678 | 574,135 |
| 15 | Poland | 2,882,066 | +122 | 75,241 | +6 | 2,653,221 | 153,604 |
| 16 | Mexico | 2,726,160 | +16,421 | 237,954 | +328 | 2,129,788 | 358,418 |
| 17 | South Africa | 2,356,049 | | 69,075 | | 2,133,196 | 153,778 |
| 18 | Ukraine | 2,248,164 | +745 | 52,835 | +24 | 2,184,036 | 11,293 |
| 19 | Peru | 2,101,139 | | 195,696 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,833,668 | | 17,792 | | 1,663,088 | 152,788 |
| 21 | Czechia | 1,672,340 | +192 | 30,357 | | 1,638,611 | 3,372 |
| 22 | Chile | 1,606,358 | | 34,875 | | 1,559,891 | 11,592 |
| 23 | Philippines | 1,543,281 | +6,216 | 27,131 | +241 | 1,461,749 | 54,401 |
| 24 | Iraq | 1,535,848 | | 18,167 | | 1,394,536 | 123,145 |
| 25 | Canada | 1,425,702 | | 26,539 | | 1,394,612 | 4,551 |
| 26 | Bangladesh | 1,146,564 | | 18,851 | | 978,616 | 149,097 |
| 27 | Belgium | 1,113,465 | +1,304 | 25,220 | +3 | 1,055,844 | 32,401 |
| 28 | Sweden | 1,096,799 | | 14,615 | | 1,074,735 | 7,449 |
| 29 | Romania | 1,082,183 | +126 | 34,267 | +1 | 1,047,199 | 717 |
| 30 | Pakistan | 1,001,875 | +1,841 | 22,971 | +32 | 924,782 | 54,122 |
| 31 | Malaysia | 996,393 | +15,902 | 7,902 | +184 | 834,858 | 153,633 |
| 32 | Portugal | 947,038 | | 17,264 | | 876,240 | 53,534 |
| 33 | Japan | 862,148 | +4,217 | 15,116 | +10 | 810,884 | 36,148 |
| 34 | Israel | 857,977 | | 6,457 | | 841,354 | 10,166 |
| 35 | Hungary | 809,101 | | 30,020 | | 745,277 | 33,804 |
| 36 | Jordan | 763,437 | | 9,933 | | 746,015 | 7,489 |
| 37 | Serbia | 719,664 | | 7,098 | | 709,778 | 2,788 |
| 38 | Switzerland | 712,668 | | 10,903 | | 691,377 | 10,388 |
| 39 | Nepal | 679,017 | +2,309 | 9,695 | +16 | 641,565 | 27,757 |
| 40 | UAE | 670,108 | +1,507 | 1,916 | +3 | 647,682 | 20,510 |
| 41 | Austria | 655,938 | +349 | 10,731 | +1 | 640,685 | 4,522 |
| 42 | Morocco | 569,668 | | 9,536 | | 540,474 | 19,658 |
| 43 | Tunisia | 558,306 | | 18,052 | | 453,865 | 86,389 |
| 44 | Lebanon | 553,615 | | 7,890 | | 535,663 | 10,062 |
| 45 | Kazakhstan | 522,638 | +6,521 | 5,244 | | 444,239 | 73,155 |
| 46 | Saudi Arabia | 515,693 | | 8,141 | | 496,810 | 10,742 |
| 47 | Thailand | 481,967 | +14,260 | 3,930 | +119 | 327,789 | 150,248 |
| 48 | Ecuador | 480,720 | | 30,797 | | 443,880 | 6,043 |
| 49 | Greece | 471,894 | | 12,858 | | 425,958 | 33,078 |
| 50 | Bolivia | 467,343 | +1,025 | 17,613 | +37 | 398,595 | 51,135 |

# পাকিষ্টানদা য়ুম্বাল্লবী নুপীগা অরোনবা মরী থল্লুবা নুপা ১ মনাতোন অমসুং মনা ককথৎখ্রে

লাহোর, জুলাই ২৪ (এজেন্সী) :

য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা নুপা অমা ময়ুম পাল্লবী নুপী অমগা অরোনবা মরী লৈনরম্বগীদমক নুপী অদুগী মপুরোইবনা মনাতোন অমসুং মনা ককথৎলকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলক্তুনা লাইকন্নখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, থৌদোক অসি লাহোরদগী কিলোমিটর ৩৭৫ রোম চৎলগা লৈবা মুজফরঘর খুঙ্গংদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবনি। থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওই অদু খুঙ্গং অদুদগী মুহম্মদ অক্রম কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। থৌদোক অসিদা মরু ওইনা চেন্নরিবা অবদুল কয়ুমনা মহাক্কী লোয়নবীগা অক্রমগা অরোনবা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না চিংনখি। মহাক্লা চিংনরিবা অদু অচুম্বা ওইরম্বা য়াবগী খুদম খরা ফংলবা মতুং শগোলশেন নুমিৎতা কয়ুমনা মমান্নবা খরগা লোয়ননা অক্রমবু লম্বীদগী ফাদুনা পুরগা মী তাদবা মফম অমদা পুন্দুনা থমখি। মদুগী মতুং কয়ুমনা অক্রমগী মনাতোন অমসুং মনা ককথৎলবা মতুং মফমদুদা লংথোক্তুনা থল্লমখিবনি হায়রি। অমরোমদা, কয়ুম মশানসু থৌদোক অদু মহাক্লা চথখিবনি হায়না পুলিসতা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চঙজরকখ্রে। মহাক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা লৈরি।